থম্মোয় পাউদম | হুইয়েন ইন্দু

# ‘ৱাখল’গীদমক খন্দ’ঙমদবা ‘ৱাখল’



‘মঙ’ হায়বসি অঙকপা থৌওং অমনি। থৌওং অসি করম্না অমদি কমদৌনা থোক্লিবনো ? করিগী মঙ মঙলিবনো (হ্বায় দু ৱি দ্রিম)? করম্না মঙ মঙলিবনো (হাও দু ৱি দ্রিম)? সাইন্টিষ্ট অমদি সাইকোলোজিষ্ট অনীমক্না থিজিন হূমজিন তৌরক্লিবা কুইরক্লে। থিওরি কয়া পুথোকখ্রে। লাইরিক কয়া ফোঙখরে। মসিনা অরোয়বা ৱারোলনি, থিজিনবগী মথৌ তাদরে হায়বদুদি হায়দরি। ৱি দ্রিম তু ফোরগেৎ, ‘কাউথোক্লবা মঙ মঙলিবনি’ হায়বসিমা হায়রম্বসিনা মঙ (দ্রিম) হায়বসি নীংশিংবা (মেমোরি) গা মরী লৈনৈ হায়বসিমদি চুম্বা তায়। প্রমান ওইনসু ৱাফম কয়া পুথোক্লি। মঙগী ফেনোমেনন নৈনগে খন’ পাউদম অসি ইরুবা নত্তবনা অকুপ্পা ৱারোলসি ইজররোই। অদুবু ’সিমতংদি হায়নীং - ‘মঙ মঙবা হায়বসিদা মীৎকী অচৌবা থৌদাং লৈ, পোকপদগী মীৎ তাঙলক্লবা কনাগুম্বা অমা কৈদৌনুংদা মঙ মঙদে’ হায়বা ষ্টেটমেন্ট অসিমদি থিজিল্লোয়শিংনা য়াম্না থাজনা হায়রবনা, সাইন্টিষ্ট খরনা ‘মঙ’বু রেকোর্দ তৌনবা হোৎনরম্বগী পাউসু তাখি মতম অমদা। মীৎকী রেতিনা’দা তাবা মমি অদু, মঙ মঙলিবা মীদুনা মমঙ ওইনা উবনিনা, মমিদুগী সিগনেলদু ফিল্ম ওইনা রেকোর্দ তৌবা য়াবরা চাংয়েংলুবনি। ঙসি ফাওবদি মায় পাকত্রি। ওইথোক্লোই খন্নরম্বা ময়াম অমা ওইথোরকপনিনা - চাংয়েং অসি ওইথোক্লোই হায়বসু করম হায়রুনি! য়েংবা তারি।

ঙসি ঐনা মঙগী ৱারী শানীংলক্লিবসিগী মরু ওইবা মরমদি ‘দে-দ্রিম’-ঐখোয়গী লোন’দা নুংথিলদা মঙবা ‘মকু মঙ’ হায়বা ৱাহৈদু নীংশিংলুবদনি। মকু’না করম্না মঙ মঙবগে? হায়বগী থিজিন ৱারোলদুদি ঙসি ফাওবদা ঐহাক্না পারকখিবা লাইরিকশিংদদি থেংনরক্তে। দে-দ্রিম, তুমদনা মঙবা মঙদুদি ঐহাক মঙই নুতিগী। হন্দক মরক খর’খিৎ মঙই কা হেন্না। অদুননি ঙসি ৱারেং ওইনা ইদুনা থম্মোয় পাউদম ওইনা ইরগে খল্লক্লিবা।

মঙ হায়বসি ৱাখলদগী থোকপরা? মদুমসু খল্লি ঐ। মরমদি, ঐনা তৌগে খনখিবা, কৈদৌঙৈদা ওইথোক্লরোইদবা কয়া, মঙদা অচুম্বা ওইরকখি। পাখঙ য়ঙ য়ঙ ফাগৎলকপা, বোল্লিৰুদকী শকহেনবী-ষ্টার কয়াগা ঐগা লুহোংখি খোমলেন মঙলান্দা। সুপর-মেনগুম অতিয়াদা পাইরগা মালেম শীন্নসু কোয়রুরে। অকবরগী দরবারদা সলিম ওইনা ফল্লগা অনারকলিগী জগোয়সু য়েংলুরে।

অদুগুম্বা মঙদুদি নত্তে ‘দে -দ্রিম’। ফম্না ফম্না মঙবনি। মঙ নত্তে ৱাখলনি। মঙগা ৱাখলগা মান্নদে। মঙগী হৌরকফম ‘ৱাখল’দুনা ওইবগুম, ৱাখলগী হৌরকফমদি করিনো? কান্নদবা ৱাখলশিং অসিনা ঙসিদি কোক অসি ৱাই চিলহল্লে অরেম্বদা। ৱাখল খন্দবা ঙম্বা মীবু লৈবা হৌনবরা? মীওইবগী ৱাখল-তাইবংপান অসিনা থোকহনবনি। মীৎমাঙসিদা উরিবা থৌদোকশিং, নাকোংসিনা তারিবা পাউশিং ... পুম্নমকসিনা হৌরকফমনি ৱাখলগী। খল্লোই ঙমদবা, ঐগী ঈখা পোন দবা, ফেনোমেনন অসিগীদমক নুংনাংলুদুনা কৈদৌনি! ‘ৱাখল’গীদমক ৱাখল খল্লুদুনা কৈদৌননি ?

অদুবু, ঙসিদি খল্লি ঐ-ৱাখলগীদমক ৱাখল। ‘অৱাবা ৱাখল খল্লুনু, নুংঙাইবা ৱাখল খল্লু ... নুংঙাইথোকউ ঈচাসিদি, শিগদবা থৱায়নি’ ... মথক থোংবা, মমা-মপা ওইবশিংনা মচাশিংদা তোয়না পীনবা য়াইফ-পাউজেলনি। ৱাখল মখল অনী শুই - অৱাবা অমদি নুংঙাইবা। অনীসিগী মরক্তা অমা খল্লু হায়রবা, অদোমসু শোয়দনা খল্লক্কনি - ‘নুংঙাইবা’। মীওইবা কনানসু অৱাবা শরুক থুংনীংদে, নুংঙাইব’তা মশরুক ওইনীংই। অদুবু, লুরিবদি মখোয় নুংঙাইবা ৱাখল খনবা হৈতব’সিনি। ‘নুংঙাইবা ৱাখল খনবা’ হায়বসি ‘নুংঙাইনা লৈবা হৈরবা’ মতমদুতদা ঙমগদবনি। নুংঙাইনা লৈবা হায়বসি ঐগা লৈমিন্নরিবা মহাক্তুসু নুংঙাইরবা মতমদুদা ওইথোক্কদবনি হায়বসিদি কনানসু নীংশিংদে। ঐগী নুংঙাইবা ফংনবা অতোপ্পবু ৱাহন্নবা, নুংঙাইহন্দনবা থবক্তুনি পুম্নমক্না তৌরিবা। নুংঙাইবা ৱাখল খন্নবা, নুংঙাইনা লৈবা ঙম্ন বা, লৈমিন্নবশিংবু নুংঙাইহনবা খ্বাইদগী তঙায়ফদবনি। মশাগী অৱাবা কাউথোক্লগা অতোপ্পবু নুংঙাইনা থম্বা হায়বদুদি ‘নুংশিবা’ হায়বদুনা লীপুন ওইনা পুল্লবা মতমদুতদা ওইথোক্কনি। অৱাবদি, নুংশিবা থিবা ফংদরে। কৃষ্ণ-জিসস-অল্লাহ’সু নুংশি পাউজেল য়েনখিদ্রে।

ফি শেৎ’নি খঙদ্রিঙৈ, লৈকুৎ-লৈরায়দা লৈরিঙৈদগী কুনশুবা চহীচা, ঙসিগী নুমিৎ’সিফাও’দা তাইবংসিদা হোংলক্লিবা অহোংবা ... ৱাখলনা অমুক্তা লামশিনবীয়ু। উচেক্নম অতিয়াদা পাইনিংলকপা, ঙাগুম্না ঈরোম্নুংদা কুমনীংলকপা, নুংশিংকী মাঙ থানীংলকপা, থা থৱান্মীচাক্কী মনাক্তা চৎনীংলকপা ... অসিনচিংবা ৱাখলসিনা ঙসিদি মালেম অসি অঙকপা ফংনা হোংহল্লে। পীকখ্রবা এতোম অমগী মনুংদা য়াওবা ন্যুক্লিয়র ইনর্জি পুথোক্লুবদই ন্যুক্লিয়র বোম ! মালেমগী খোঙচৎ অসিবুসু থুগায়বা ঙম্বা ইনর্জি !

ঐদি ঙসি ঙক্লি - তাইবংপান (য়ুনিভর্স) অসি অমত্তনি, হৌরকফমসু অমত্তনি হায়বা ৱাখল পুথোকখ্রিবা মীওইবনা, অল্লাহ-জিসস-কৃষ্ণ অমত্তনি হায়বা ৱাখলসিদি অমত্তা ওইনা খনবা ঙমদ্রিবা করিগী ? ‘ঐ’দগী ‘ঐখোয়’ ওইখিবা মতমদুদগী ‘মান্নদবা ৱাখল’গী মরু হুনখিবরা চিংনরি। ‘বিগ বেং’ (অচৌবা পোকখায়বা) অমদগী গেলেক্সি ময়াম লাপথোক্লবা হৌখিবদুগুম, মীওইবা মশেন মরক্তা নুংশিনদবা, উংখৎনবসিসু পোকখায়রক্তুনা খাম্বা য়াদ লাপথোক্লখিগদ্রা ?

লৌশিং পুক্কে / খোমজিনবা- কৈথেল্লাকপম খুমনঙম্বা

# থবাক নাবা অমদি খোঙ নাবা: অনী অসি মরী লৈনবরা



খোঙ নাবা অমদি থবাক নাবা হায়রিবা অনী অসি পূন্না থোক্কনবা থৌওং অমা নত্তে। অদুমওইনমক, হায়রিবা অনী অসিগী মরক্তা মরী অমদি লৈ, মরম অদুনা মীওই অমনা হায়রিবা থৌওং অনী অসি মতম অমত্তদা থেংনবসু য়াই।

খোঙ নাবগা হার্টকা লৈনবা মরীগী মতাংদা নৈনমিন্নসি।

**পেরিফরেল আর্টরি দিজিজ (পি এ দি):** পি এ দি নাবা মীওইনা খোঙ নাবগী থৌওং থেংনবা য়াই। করিগুম্বা মতমদা খোঙদা নাবা অসিনা হার্টকী লায়না অমা দিভেলপ তৌরক্লে হায়গী খুদম ওইবা য়াওই।

পি এ দি অসি পেরিফরেল আর্টরিশিং খুজিল্লকপা অমদি ফেট তুংশিল্লক্লবা মতমদা নাই। কুমজা ২০১৪ দা চথুখিবা ষ্টদি অমগী ফাইন্দিংগী মতুংইন্না পি এ দি লৈবা মীওইশিং কার্দিওভাস্ক্যুলর দিজিজনা মরম ওইরগা শিবগী রিস্ক ৱাংই হায়রি।

খ্বাইদগী তোয়না থেংনগনবা পি এ দিগী সিম্পটোমশিংদি শাজেল তৌবা, চৎপা নৎত্রগা ষ্টেয়র কাবা মতমদা ফৈগন, নীংজোন নৎত্রগা কপ্লাক্কী মসলদা য়াম্না নাবা অসিনি।

অতৈ সিম্পটোমশিংদি- খুজিলগী মশা ফত্তবা, ইরেক্টাইল দিসফঙ্কসন, খোঙগী মখা থংবা শরুক নৎত্রগা খোঙদোন ইঙবা, খোঙমীৎকী মখা থংবা শরুক্তা নৎত্রগা খোঙশাশিংদা শোকপদা ওইশিনবা কুইনা চঙবা অসিনচিংবশিংনি।

**কার্দিয়াক সর্জরি তৌরুবা মতুংদা চৈনাখোল ফাওবা:**

কার্দিয়াক সর্জরি তৌরুরবা মতুংদা চৈনাখোল ফাওবা হায়বসি মহৌশানি। অদুবু করিগুম্বা মতমদা কার্দিয়াক সর্জরি তৌরুবা মতুংদা খোঙদা চৈনাখোল ফাওই হায়বগী কমপ্লেন্ট লাকপসু য়াওই। অসুম্না চৈনাখোল ফাওবা অসি সর্জন অদুনা খোঙদগী ভেন গ্রাফ লৌরবদি অদুম থোক্কল্লি।

রিসার্চরশিংগী মতুংইন্না কার্দিয়াক সর্জরি তৌখ্রবা মীওইশিংগী চাদা ১১.৮দি সর্জরি অদুগী মতুং থা ১২ রোমদি মোদরেট ওইবা চাংদগী সেভিয়র ওইবা চাং ফাওবা ক্রোনিক প্যেন থেংনৈ হায়রি।

কার্দিয়াক সর্জরি তৌখ্রবা মতুংদা খোঙদা নাবা হায়বসি মহৌশা ওইরগসু মতমগী মতুংইন্না ফগৎলকপগী মহুত্তা চৈনাখোল অদু অসুম অসুম হেঞ্জিল্লক্লবদি নৎত্রগা চৈনাখোল হন্থদনা অদুম লৈরগদি দোক্তরগা তানগদবনি। অদুগা দোক্তরনা য়েংলবা মতুংদা নারিবা অদুগী চপ চাবা মরম খঙবা ঙমগনি।

**ট্রিটমেন্ট অমদি প্রিভেন্সন:** থবাক অমদি খোঙ নাবগী লায়েং মখল অদুদি অনাবা অদুবু থোকহল্লিবা মরম অদুগী মখা পোন্না চথগনি।

পি এ দিনা মরম ওইরগা নাবা ওইরগদি লায়না অদু হেঞ্জিল্লক্তনবা হোৎনবা অমদি সিম্পটোমশিং অদু ফহন্নবা হোৎনবদা মায় ওনশিনগনি। পি এ দি লায়েংবা অমদি ঙাকথোকপদা মতেং পাংনবগীদমক তৌগদবশিংদি: হকচাংদা কান্নবা চীঞ্জাক মরাং কায়না চাবা, চাং নাইনা হকচাং শাজেল তৌবা, মৈখু শীজিন্নবা তোকপা, (দোক্তরনা প্রিস্ক্রাইব তৌরগদি) ব্লদ প্রেসর ৱাংবগী হীদাক চাবা অসিনচিংবশিংনি।

কার্দিয়াক সর্জরি তৌরুবা মতুংদা চৈনাখোল ফাওবা অসিনা মরম ওইরগা সর্জরি তৌরুবা অদু ফগৎলকপদা অপনবা থোকহনবা য়াবা মরম্না দোক্তরনা ওপিওইদ অমদি নোনষ্টেরোইদেল এন্টি-ইনফ্লেমেটরি দ্রগ (এন এস এ আই দি এস) শিং য়াওনা চৈনাখোল ফহন্নবা হীদাকশিং থারকপা য়াই। অমদি অতোপ্পা লায়েং মখলশিংসু চথরকপা য়াই।

নেসনেল হার্ট, লং, এন্দ ব্লদ ইনষ্টিট্যুটকী মতুংইন্না মীওই অমনা করিগুম্বা পি এ দিগী সিম্পটোমশিং মশাদা থেংনদ্রগসু মখাগী ফিভমশিং অসি লৈরগদি দোক্তরদা শোয়দনা য়েংথোক্কদবনি, ফিভমশিং অদুদি:

- চহী ৫০ গী মনুংদা লৈবা অমসুং দাইবেটিস নাবা অমদি ব্লদ প্রেসর ৱাংবা অমদি ওবেসিটি য়াওনা এথেরোস্ক্লেরোসিসকী রিস্ক ফেক্টর অমা নৎত্রগা অমদগী হেন্না লৈবা মীওই ওইরবা
- চহী ৫০ নৎত্রগা ৫০ হেল্লবা অমদি দাইবেটিস নৎত্রগা মৈখু শীজিন্নবগী হিষ্ট্রি লৈবা মীওই ওইরবা
- চহী ৭০ নৎত্রগা ৭০ দগী হেল্লবা, হায়রিবশিং অসিনি।

হার্ট এটেক: নৌনা হৌরকপা থবাক নাবা অসি অয়াম্বা মতমদা চিংননিংঙাই ওইবা সিম্পটোম ওইগল্লি, অসুম তৌরবদি লায়থোক্লগা লৈরোইদবনি। য়াম্না থুনা লায়েংশংদা চৎতুনা য়েংথোক্কদবনি।

**হার্ট এটেককী সিম্পটোমশিং মীওই অমগা মীওই অমগগী মরক্তা খেন্নবা য়াই, অদুবু থেংনবা য়াবশিংদি:**

- থবাক নৎত্রগা থজিন্দা নাবা নৎত্রগা প্রেসর লৈবা
- ওনীংবা
- পাম্বোম, নঙ্গল, নৎত্রগা পুকতা নাবা (চৈনাখোল অদু মখারোমদা কুমথখিবসু য়াই
- নীংশা মপুঙ ফানা হোনবা ঙমদবা
- মরম খঙদনা য়াম্না কা হেন্না চোকথবা
- ওবা অসিনচিংবশিংনি।

# ‘এক্সিদেন্ট থিংনবগীদমক চহী শুবা শুদবা নীংথিনা য়েংলগা দ্রাইভিং লাইসেন্স পীবা চঙই’

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১৩ (ঐচ এন এস): এক্সিদেন্ট থোকপা থিংনবগীদমক চহী শুবা শুদবা নীংথিনা য়েংলগা দ্রাইভিং লাইসেন্স পীবা তঙাইফদে হায়না চীফ সেক্রেটরি ডা. জে সুরেশ বাবুনা ঙসি আই এস বি টি দ্যুলালেন দদা পাঙথোকখিবা নেসনল রোদ সেফ্টি ৱীক ২০২০গী থৌরমদা ফোঙদোকখ্রে।

ট্রান্সপোর্ট দিপার্টমেন্ট মণিপুরনা শীন্দুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা চীফ গেষ্ট ওইখিবা ডা. জে সুরেশ বাবুনা হায়খি, রোদ সেফ্টি ৱীক্কী য়াম্না মরুওইবা পান্দমদি এক্সিদেন্ট থোক্তনবা এৱ্যেরনেস পীবা অমদি অশোক-অপন হন্থহনবা হায়বা অসিনি। হৌজিক্কী ওইনা মণিপুরদা রোদ এক্সিদেন্টকী চাং অসি চাদা ২২গী চাংদা হেনগৎলক্লি। মী শিবগী চাংনা চাদা ১৩গী চাংদা লাক্লি। অশোক-অপনগী চাংনা চাদা ১৫গী চাংদা হেনগৎলক্লি। রোদ সেফ্টি অসি য়াম্না মরুওইবা অমনি। এক্সিদেন্টতগী খরদা ওইরবসু ঙাকথোকপা ঙম্নবা হোৎনবনি। মোটোর সাইকল এক্সিদেন্টকী চাং হেনগৎলক্লি। এক্সিদেন্ট প্রিভেন্ট তৌনবগীদমক চহী শুবা শুদবা নীংথিনা য়েংলগা দ্রাইভিং লাইসেন্স পীবা তঙাইফদে। হৌজিক্তি ষ্টেট অসিদা ট্রাফিক সিগনেল নীংথিনা ফোলো তৌরে। মখল কয়াগী কাঙলোন কয়া অমসু লৈরিবনি। চৎন-কাঙলোন কয়া অসি নীংথিনা ঙাক্লা চৎনবা হোৎনসি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

থৌরমদুদা প্রসিদেন্ট ওইনা শরুক য়ারদুনা মণিপুর পুলিসকী দি জি পি, এল এম খৌতেনা হায়খি, মোটোর ভেহিকল অমদি ট্রাফিক রুল অসি য়াম্না মরুওই। মসি ঙাক্লা চৎতবা য়াদে। মীয়ামদা নীংথিনা এৱ্যেরনেস লৈহনবা চঙই। গাড়ী থৌবদা তঙাইফদনা লৌখৎকদবা চেকশিন থৌরাং কয়া খঙমিন্নবা তঙাইফদে। লম্বীদা চৎলিবা মীওইশিং অমদি গাড়ী থৌরিবা দ্রাইভরশিংনা দিসিপ্লিন নাইনা চৎপা তঙাইফদে হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা আইপি আর কম্মিস্নার এম জয়, ট্রান্সপোর্টকী দিরেক্টর মার্সিনা পানমৈ, ট্রাফিক কন্ট্রোল ৱিংগী এস পি, কে সারমা অমদি এন সী সীগী বৃগেদিয়র আর এস ছেথিসু দেজদা ফমখি। থৌরম অদুদা পুলিস দিপার্টমেন্টকী পর্সনেল কয়াদা মমেন্টো অমসুং সার্টিফিকেট য়েন্থোকখি। হ্বিল ক্লাম কয়াসু য়েন্থোকখি। নেসনল রোদ সেফ্টি ৱীক্কা মরী লৈননা ফ্রী মেদিকেল কেম্প অমসু পাঙথোকখি। সাইকল রেল্লি অমসু চৎখি।

# চন্দ্রমোহোননা লৈখিদবদা অৱাবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১৩ (ঐচ এন এস): কলচরেল এক্টিভিষ্ট অমসুং অচঙবা কম্ম্যুনিষ্ট অমা ওইরম্বা অহল ইবুংঙো থৌনাওজম চন্দ্রমোহোননা মশাগী অনাবা অমদগী ঙরাং অয়ুক লৈখিদবদা অৱাবা ফোঙদোক্লি হায়না মণিপুর ষ্টেট কাউন্সীল কম্ম্যুনিষ্ট পার্টি ওফ ইন্দিয়াগী এসিষ্টেন্ট সেক্রেটরি কে ঐচ সুরচান্দনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, মশাগী অনাবা অমনা মরম ওইরগা কমরেদ থৌনাওজম চন্দ্রমোহোন ঙরাং লৈখিদে। মহাক মশাগী চহী ৯৭ শুখ্রে। বি পি ষ্ট্রোক তৌবদগী মতম শাংনা মহাক্কী য়ুম তাকয়েল খোংবাল মোইরাংথোং লৈরক্তা মশা শোন দুনা লৈরম্মী। মহাক্কী লোয়নবী, মচানুপী অনী অমসুং মচানুপী অহুম থল্লম্মী। মহাক্না খোংজোম পর্ব্বগী শৈশক্তা মতম-মতমগী ইস্যু কয়া পুথোক্লম্মী। পোলিটিকেলগী ওইবা হীরম কয়াদসু থৌদাং কয়া লৌরম্মী। হীরম কয়ামরুমদা মণিপুরগী তস্পাক লমদা মীয়ামদা তৎতনা শন্দোক্লম্মী। ৱাখল্লোন অসিদা পুন্সি লোইবা ফাওবা লুপচখি হায়নসু মখা তারি।

# খুন্দোংবম ব্রোজেন্দ্রো নীংশিং মনা য়ুম্নাম রাজেন্দ্রদা খুৎশিন্নখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১৩ (ঐচ এন এস): রাইটর ফোরম ইম্ফালনা শীন দুনা ঙসি জে এন মণিপুর দান্স একাদেমীগী রাজকুমার প্রিয়ো গোপালসনা ওদিটোরিয়মদা পাঙথোকখিবা থৌরম অমদা খুন্দাংবম ব্রোজেন্দ্রো নীংশিং মনা ২০২০ য়ুম্নাম রাজেন্দ্রদা খুৎশিন্নখ্রে।

থৌরম অদুদা ঠিএটর ক্রিটিক প্রোফেসর নোংমাইথেম তোম্বীনা অথোইবা মীথুংলেন অমদি রাইটর ফোরম ইম্ফালগী প্রসিদেন্ট কৈশাম প্রিয়োকুমারনা থৌরম মপু ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুগী হৌরকপদা লৈখিদ্রবা খুন্দোংবম ব্রোজেন্দ্রোগী শক্তমদা লৈ কৎতুনা ঈকায় খুম্নবা উৎখি। সাহিত্যগী পাউ ১০৭ শুবা মশিংসু ফোঙদোকখি। রাইটর ফোরম ইম্ফালগী ত্রেজরর সোমোরেন্দ্রোনা ফোঙদোকখিবদা, খুন্দোংবম ব্রোজেন্দ্রো নীংশিং মনা অসি লৈখিদ্রবগী লোয়নবী অমসুং মচাশিংনা কৎপনি। মনা অসিদা শেল ওইনা লুপা লিশিং ২৫, মমেন্টো অমদি সোল য়াওরি। খুন্দোংবম ইতোচা অমদি অঙোম নিংঙোল ইবেচাওবীগী মচিন-মনাও ৯গী অনীশুবা মপারী ওইনা খোঙদারকই। কোওপরেটিভ সোসাইটিগী ইন্সপেক্টর ওইরম্মী। কুমজা ২০০৭কী জন্যুৱারী ১৩দা মশাগী অনাবা অমনা লৈখিদে।

য়ুম্নাম রাজেন্দ্র লীলা ইবা অমা ওইনা অমদি দিরেক্টর অমা ওইনা লীলাগী লমদা তৌরকপা কয়াবু শকখঙবগা লোয়ননা ঈকায় খুম্নদুনা মনা কয়া পীখ্রে। মণিপুর সাহিত্য পরিষদ ইম্ফালদা ডা. কমল সাহিত্য এৱার্দ, লৈমরোল খোর্জেকোলনা মহাক্কী দ্রামাগী লাইরিক অমদি অতৈ লীলাশিংদা মনা কয়াসু পীখ্রে হায়নসু মখা তারি।

ADMISSION OPEN
"LULLABY"
A Child Care Cum Pre-School
Nagamapal RIMS Road Corner, Near Traffic Point
A co-educational school for Playgroup, Pre-Nursery, Nursery and KG.
1 year scholarship to those aspiring students who stood 1st, 2nd and 3rd position in their respective classes.
A new development in the way of Schooling has been open in our state with the thought of developing both moral and in Physical ways. Come & Join with us in this wonderful world of our journey towards education.
Total Child Care
Nutritious Food
Child Psycological Development
Well Equipped Playing Facilities
Accurate Teacher and Child Ratio
Last date of form submission : 10th January, 2020.
Session starting from 16th January, 2020.
Kinder pool and twinkle kids system of education
Monthly Tuition Fees are exempted for this academic year as an introductory offer.
6009103078
HL-B/5915/27/12-01/20jan

TEMPLE OF LEARNING
Kha Naorem Leikai, Canchipur, Imphal, Manipur.
TEMPLE OF LEARNING
ADMISSION OPEN 2020
PRE- NURSERY TO CLASS IX
LIMITED SEATS: FIRST COME FIRST ADMISSION
Admission form available at School Office during office hour ; 10:00 a.m. To 3:00 p.m.
*CONTACT DETAILS: 9612346366 ,9436038156, 7005155523
www.templeoflearning-edu.org / email: tolcanchi@gmail.com
HL-P/5909/11-17jan.

# ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ১৪।০১।২০২০, লৈবাকপোকপা, ৱাকচীংগী ১৯ নি পানবা।

**মেষ :** য়েক্লবা কোকপা, নক্লবগা মরী ফগৎপা, হায়বা ঙাঙবা মীনা তাবীবা অমদি অরং-অরাক ফংবা য়াবা লৈ। শোক-পনবা য়াবদি লৈবনা ফিংগনু অমদি হোয়া ফগনু।
লৈশা পাখংশিংগী - য়েৎনবা মরী ফরোই।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

**বৃষ :** নাইতোম থৌ পাংগনু অমদি অরুবা ৱারেপ লৌগনু। চরাংনরদি মরুপ-মপাংগা মরী ফরোই ময়েং তাগনি। খোঙফম অমা অনী হন্দোকপা অশিংবা ওইগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - ঙাইঙমদবা তৌগনু।
থৌনি পোৎলম : লৈ/চিনি অঙাংবা।

**মিথুন :** লমচৎ কাম্বা মী লোয়নদ্রবা অমদি মীৱা লৌদ্রদি অকিবা লৈরোই। লল্লোন ইতিক্তা কান্নগনি, মীয়ামগা লোয়নবা অফবা ওইগনি। অনমদি তানগনু-তপথখো।
লৈশা পাখংশিংগী - নীংবা থুংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

**কর্কট :** লৈঙাক্কী লম্দা কনানসু লাকচবা ঙমলোই অমদি পন্দুনা লৈরুবা শেল-থুম ফংবা য়াবা লৈরে। লন-থুম লেপশিনবা য়াগনি। থৌশাদবনা থবক খরদি পনগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশিবনা চানগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

**সিংহ :** নীংবা থুংগনি, লল্লোন ইতিক্তা চাউনা শেন্দোং ফংগনি অমদি অনীংবা থবক পাংবা য়াগনি। পাউ নুংঙাইবা তাগনি, লৌশিং অমদি লনসু য়াম্না ফংগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - লাইবক ফগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

**কন্যা :** অয়েৎপা অমদি খুরৌথাংবা পোকপা লৈগনি। খাংবা কনবা, থিবা হুম্বা লেপ্তবা অমদি মীৱা লৌদবনা য়াইফবা ওইগনি। খুৎচাও থাগনু চাদিং হেনগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - পূক্লিং লাংগনু-শাফগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

**তুলা :** লল্লোন ইতিক কান্নগনি, অনীংবা থবক পাংবা য়াগনি, হকচাং নুংঙাইগনি অমদি মীকোক থোবা য়াবা লৈবনা নিংহন্নদনা মাঙলোমদা চংশিলহৌবা ফৈ।
লৈশা পাখংশিংগী - নীংবা থুংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

**বৃশ্চিক :** পাঙ্গল থৌনা ফুদোকপমক য়াদ্রগসু অনীংবা থবক পাংগনি, মীচং হেনগৎকনি অমদি শেল-থুমগী লম্দা মায় পাক্কনি। পাইরক্কী লৌশিং শোল্লি-নোল্লুকউ।
লৈশা পাখংশিংগী - নীংবা থুংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

**ধনু :** ৱাঙাঙ হৈত্রদি খৎনগনি অমদি অরং অরাক মাঙবা য়াবা লৈ। খাংবা কনবা অমদি মীনা ইনশিনবা লৌদবনা মায় পাক্কনি। নীংবদুমক পাংদা য়াদে খনগনু - ঙাইয়ু।
লৈশা পাখংশিংগী - য়াকা য়েংনা চৎলু।
থৌনি পোৎলম : লৈ অশংবা/কিসমিস।

**মকর :** নচা-ননাই অমদি মীয়ামগা লোয়নবগী নুংঙাইবা লৈগনি, লম চৎপা কান্নগনি অমদি অনিংবা থবক পাংগনি। অদুবু ঙক কনগনু অমদি চরাংনগনু-কাইননি।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশিবনা চানগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

**কুম্বা :** খ্বাইদগী হেন্না নীংবা থুংগনি, লল্লোন ইতিক্তসু চাউনা শেন্দোং ফংবা ঙসিসু লৈগনি। ইমুং-মনুংগী ৱা তাবনা মীকোক থোংগনি অমদি থৌনা হেনগৎকনি।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশিবা ফংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

**মিন :** মায় পাকপা ঙসিসু লৈ, থৌনা লৈনা অনীংবা থবক পাংউ শোইদনা মায় পাক্কনি, মরুপ-মপাংনসু চানগনি অমদি তুংগী পোরম য়াৎপসু হৈগনি। শেল ফংগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশিবা ফংবৈ নুংঙাই।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।